ৱারী ককনাউ

# লাই খুন্দিন্নবা

ঐনা ফমুংদা হেক চঙখিবগা খঙহৌদে, ঐগী ৱাখলসিনা হেক খনবগা চৎনীংবা, য়ৌনীংবা মফমসি য়ৌবনা হেক্তা হাল্লি। মসিদি তান চারে হায়দুনা মী শেম্বা লাই উনগে হায়না হেক খনবগা, ৱঙ লাওবা অমা নাকোংদা হায়রপ তাখি। অদুগদি ঐ লাইগী লৈবাক্তা লৈরম্মে। লাইগী মকোক উনগে হায়না ঐনা লাকপদা, লম্বীদুদা লাই য়াম লৈহৌই। কনাগী ফিঙাংগা শেৎপা, মমায়গা মুসিন মুবা, সিন্দুরগা ঙাংশং ঙাংনা থিনবা ময়াং লাইগসু নম্বো অমা পায় পায়দুনা লৈহৌই। উখোঙ ৱাখোঙদা লৈবা লাই, লাইশঙ অমনবদা লৈবা লাই, লৌবুক্তা, লক্ষ্মাংদা পংলৈদা লৈবা লাই লোইনমক লৈরম্মে। তাইবঙ মীনা চাওখৎ থৌরাংগা মরী লৈননা লম তকখায়বা তেমথোকপদা লৈফম লৈতদুনা লাইরৈবাক্তা হাইগৎনরকপজ াৎনি। ত্রেন ষ্টেসনদা মী ময়াম অমা পংলৈদা লৈবদু ঙাই। কনাগী ইংলিসকী লাই, মৈতৈগী লাই, ময়াংগী লাই, য়ুরোপকী লাই, অফ্রিকাগী লাই লোইনা লৈহৌই। য়ামখ্রবজাৎনি। লাই মরক্তু ফাও ফাওদুনা ঐ লাকই।

মমৈদা উচিন নাচিন্না লাই ময়াম খুন্দিনরিবা মফমদু য়ৌরে। লাইশিংদু ইকোয় কোয়না ফম্মগা ৱা তানরম্মী। ঐসু মোই ময়ামদুগী মনীং ওইরপনা থারিবা চৌক্রিদুদা ফমথরগা তুমিন্না লৈ। মোইনা ঙাঙনরিদু তাই। লাই অমত্তনা হন্না ফাওবা য়েংথোলক্তে। মোইগী ঙাঙনগদবদু অদুম ঙাঙনৈ। লাই মশেনসিসু মরৈগা য়াম য়েৎনৈকো। অমনা হায়, অমনা য়েৎলি, অমনা হায় অমনা তাদে, মোইসু মতা অমনি। মীগা হায়রপ মান্নে, য়াম উশিৎনবজ াৎ নত্তে।

ঐনা চংখিবা মতমদুদা কন্না খৎনরম্মীসি, লাইরৈবাক্তা লাইগী মশীং সুম সুম হেনগৎলকপদগী লাইরৈবাক্তা হান্নদগী লৈজরম্বা য়েলহৌ-লাইশিংগী লৈফম লৈরক্তবগী মতাংদনি। খরা অহল ওইরবা লাই অমনা ফুক লাওনা হৌগৎলগা লাওরকই,

"মফমসে লাই রিফ্যুজি ময়ামগী চংজফম নত্তে। মোই য়ানি, ঙমনি হায়দুনা মীরমলেন্দা লৈখ্রবা ঙাক্তনি। নহানৱাইদি মীনা পংকৎতা কৎপা, মহৈ মরোং, অনৌ-অপেন, তরেৎ-শেঞ্জা ময়ামদুনা তুংগী খন্দনা নুংঙাইথোকপদগী ঐখোয়বু হন্না য়েংলকখিদ্রবনি। হৌজিক্তদা মীশিংসিনা থওইনরক্তবা, লাই মৱা লৌদে হায়নরকপদগী মোইগী লৈফম থুগাইরকপদা লৈফম লৈতদুনা সিদা লোইনা হাইগৎলকইসি য়াব্রো? আই এল পি এসগুম্বা অমা চৎনহন্দ্রদি য়ারোই। লৈগে হায়খে লৈবা য়ারোই।"

মাই ৱাদু তাবদা ময়ামদু খূবাক্কা প্রোক-প্রোক খুই। অমনা অমুক হৌগৎলগা হায়রকই,

"মীনা অরেম-অপা খরা কৎলগা য়াম হরাওদাইনে, মোইনা হরাওবদু ঐখোয় কৈসু কল্লকপীদে। তাইবঙ মীনা মখোঙ কোন্দুনা মপি তাদুনা কপ্পদুদা মোইসি য়াম চাওরবোই নীংজবা শারিয়ে, মোইবু লোইনা চংজফম পীরদি ঐখোয় লৌ উবসু নত্তে, করি চাদৌরি? সুক য়ামখ্রবা লাই ময়ামসিবু ঐখোয়না লোইনা থাকপা ঙম্বা নত্তে, য়াম থুনা দিপোর্ট তৌবিখো" ময়াম খূবাক খুই। লাই খরা হনুবী অমনা কোকসেট অমা শেৎলগা হৌগৎলগা হায়রকই।

"মঙা অমা তরা অমা মশীং হেনগৎলকপদুদি কৈসু হায়রমদে, অদুবু মালেমগী মফম অয়াম্বদা লৈরম্বা লাই মখৈসি নোংমদা লিশীং লিশীং ময়াদা হাইজিল্লকপসিদি পু-থাং ঙম্পোৎত্তে। সিদি তুংগী য়েংঙগা কৈনোমা খন্নহৌসি, নোইনা ৱাখল পুথোকপা ঙমলোই হায়রগনা ইন্দিয়াগী করি হায়গে, করি মোদি হায়দু কৌখৎলু, মা পোলিসি অমা পুথোকহল্লু। মালেমদা পোলিসি পুথোকপদা মানা ফর্ষ্ট তারে হায়বনি"। লাই ময়ামদু য়াই য়াই হায়না ৱা-ৱা লাওনরকই। লাই মকোক্তু মকোক ঙাওরজাৎনি, মখা হয়েং অমুক খন্নরসি হায়রগা লোইশিনখ্রে। লাই মখৈ লোইনা হৌগৎনদুনা চৎনখ্রে। হেক হৌগৎখিবগা লাইশিংদু শ্বাই শ্বাই মাঙখি। অদুক য়ান্না ফল্লম্বা লাই ময়ামদু অমত্তা উবা ফংদ্রে। লাই মকোক্তুগী মনাক্তা ঐ চংশিল্লে।

"নঙ কনানো?"

"ঐ তাইবঙ মীনি"

"কৈদৌ লাকইনো?"

"ৱা অমতা হংজগে লাকপনি"

"করি ৱানো থুনা হায়য়ু। কোকসে ঙাওরে, ময়ামসিগী ৱা ময়ামসি ঐ পুবা ঙমদ্রজ াৎনি, কৈনো হায়রো?"

"তাইবঙ মপুনা মী শেম্বীরে, অদুগা লাইনা শেম্বা মীশিংসিনা অসুক য়াম্না মবুক ফৎনদ্রিবা, অমগা অমগা নুংশিনদ্রিবা, হাৎনরিবা, চৈনরিবসি করিগীনো, নুংশি চান্ননা লৈমিন্নবা অফবা ৱাখল খনবা মী শেম্বীবা য়াদ্রা? সুমাইনা সুম তৌরদি মতম খরগী মতুংদা মী মশেল হাৎনদুনা অমতা হিংবা ঙল্লরোই"। ঐগী ৱাদু তাবদা লাই মকোক্তু মখূৎনা মকোক্তা খোরো খোরো খোৎলি। অদুগা মমিৎতু ঐঙোন্দা মুন্না য়েংলগা হায়রকই।

"নঙ শাউনু কো, মী শেম্বা লাই হায়দো কমপ্লেন্ট তৌমন্দনা খাঙবা ঙমদদুনা সুইসাইদ তৌরগা শিখ্রে। অদুনা নঙ মাবু উনবা ফংলরোই। হৌজিক মী শেম্নবা লৈতবদগী মোই অমা অনীনা কন্না হোৎনরি। খরা অমনা ট্রেনিং থাখ্রি। হৌজিক উনবা য়াররোই হনখ্রো?"

"য়ারদি তাইবঙ মপু, মী শেম্বদা খরা অফবা মী ঙাক্তা শেমহনবীয়ু, নৎত্রবদি মী হায়বসি হিংবা ঙল্লরোই"

"য়ারে য়ারে খন্নরগে"

ঐ থোরক্লে। মোইগী গেটতু হেক য়ৌবগা, ময়াই কাবা চিঞ্জাক শীজিন্নবা লাই অমনা ফৈজিং চিংদুনা লাক্লগা ঐঙোন্দা দং লাওনা থেংজিল্লকপদগী, ঐ মীকপ খংথোক থোকই।■

*- নরেন্দ্র নিঙোম্বা*

## শরৎচন্দ্রগী শ্রীকান্ত (২শুবা)

# লোই থাবা

***(বেঙ্গলগী উপন্যাসকার শরৎচন্দ্র চট্টোপধ্যায়গী বাংলা লোলদা ইবা 'শ্রীকান্ত' পু অরুনা চক্রবর্তি, প্রিন্সিপাল, - জানকি দেবী মেমোরিএল কোলেজ, দিল্লিনা ইংলিসতা হন্দোকপা লাইরিক্তগী ডা. কুনজেশ্বর তেনসুবনা মণিপুরীদা হন্দোকপা)***

**ডা. কুনজেশ্বর তেনসুবা**

*(হান্নগী মখা চঙজরকপা...)*

ঐখোয়না ক্বারেন্তাইন্দা লৈরিঙৈ মনুংদা অভয়ানা হৈশিংনা শীন-লাংদুনা নুংঙাইনা অদুম লৈনখ্রে। অদুবু ঙক্লিবদি, ঐনা মাবু জহাজ খোঙচৎকী মনুংদা মশক খঙখিবা চাংদুদগী হেন্দাক্লা করিসু খঙবা ঙমখিদে। মানা ঐঙোন্দা চৎলকপা শাজত্তা খজিক্তং তায়োন্নবা মতৌ উবা ফংখি। নাকল অমরোমদনা অমুক, ইবানিগী মরক্তা নকশিন্ননা নুংশি-চান্নশানবগী লংলা লংজিন খজিক্তা ফাওবা কাঙথোকহনখিদে।

মানা তৌরকপা মওং-শাজৎ খরনা ঐগী ইফমদা অকনবা চেকপলগুম খাদুনা, অচেৎপা পথাপ অমদি অথিংবা থবক ওইনা থোক্তুনা - ঐখোয়সি লমথুংফম য়ৌরমদাইগী লমখাংদা ঙাইহাক পনমিন্নবা লম চৎপশিংনি, লমথুংফম য়ৌনরবদি করিসু মরী লৈনদে, হায়বা ৱাখলসি ঐবু মীৎকুপ খুদিং নীংশিংহল্লে। অমরোমদনা অমুক ঐগী চাবা- লৈবগী মতাংদা নুংঙাইনবা শীনবগী মওংদুদি মাগী খ্বাইদগী নক্লবা মরী মতা অমদা তৌবগুম্না ওন্থোক্লা চেকশিন্না নুংশিনা তৌবিখ্রে। খ্বাইদগী অৱাবা, অরুবা থবক্তু মা মশামক্লা তৌগনি। ঐনা মতেং পাংবিগে হায়রুরবসু মানা নোক্লগা হায়রক্কনি, "ঐনা সুম তৌজগেদা। ইশুংলাংগী নৎলমদ্রবদি অদোমসু দা - রোহিনিসু কনামতা মফমসিদা লৈরম্মোইদবনি।" মাগী লৌশিং অমসুং থৌবাং ঙম্বগী পাঙ্গলসি উরুরগা মাবু লৌরিবা নুপাদুবু ঐ ঙক্তবা ঙমদে। অদুম ওইনমক ঐনা শোয়রোই খনখি, অভয়ানা মাবু ফংবা ঙমখ্রবদি মপুরোইবদুনা মাগী মমল শোয়দনা খঙবা ঙল্লক্কনি। মরমদি মহাক ফনা য়াম্না শা ওইরবসু মহাক মী অমনি, অদুগা করম্বা মীনা অসিগুম্বা মমল য়াল্লবা হী-য়াই অসিবু কাওখায়দুনা মাঙহনবা ঙমগদগে।

খরা লৈরগা, নোংমা ক্বারেন্তাইনগী মতম লোইরে। ঐখোয় চৎপা য়াবগী অয়াচে ফংলে, রোহিনী, বাবুসু অনাবা পুংফ ফরে অমসুং ঐখোয় পূম্বা রেঙ্গুনগীদমক খোঙশাল্লক্লে। ঐনা ঐগী ইথৌগীদমক চক্ত্রিঙৈদা মখোয়গী খুদোংচাবা লৈফম অমা ফংনবা হোনমিন্নবা হায়বা ৱাফমদা য়ান্নরে। অভয়াগী নুপাদু ফংনবা থিবদা ঐনা ঙম্বমখৈ হোৎনগনি ঐহনা ৱাশক্লে।

ঐখোয় রেঙ্গুনদা থুংলুবা নুমিত্তু বর্মাগী মরু ওইবা কুম্মৈ অমা থোক্লম্বগা মপা চানরুরে। লাইনিং চেৎপা মী কয়ানা অরংবা কব্রংগী ফিজোল শেৎনরদুনা লাইশঙদা চৎপা অমসুং চৎনবা থোক্লরকপদা লম্বী সোরোক পুম্বা মীনা কৃক কৃক ইন্নে। নুপীনা খরা নম্মি, মরমদি ইন্দিয়াদা তৌনবগুম্না বর্মা মচাশিংদি মখোয়গী নুপীশিংবু মপান থোকহন্দনা ইমুংদা ফাজিন্দুনা থম্বিদে। অহল, নহা অমসুং মীয়ায় কয়ানা ফজ-ফজরবা মচু মচুগী ফিজোল শেৎলদুনা মশমদা, মনাদা অমসুং ঙকশমদা লৈ মখল কয়ানা লৈতেংদুনা মকে শেম্নরি। মখোয়গী কুংনা ফজরবা শন্নাংনা খুবোম য়ৈরি। মখোয় কনামত্তা মকোক খুমদে, কুপশিন্দে অমসুং মনীং তম্না চৎনরি। নোক্লদুনা, ৱারী শানরদুনা অমসুং ঈশৈ শক্লদুনা লম্বীশিংদা পরেং পরেং লাকপদো, চৎখিবদো মচুগী ঈচেলগুম উরি।

-মথং-মথং

মতম মতমগী ৱাফম

# আর্ট এন্দ কলচরগী থবক থৌরমশিং অসি নুপী অঙাংগী থবক্লা ?



**আর্ট এন্দ কলচরসি** চাউখৎনবা লৈঙাক্লা কাইথোকপীরিবা শেনফমসি খজিক্তং হেনগৎহনসি হায়বা ৱাফমসি মণিপুর সরকারগী কেবিনেট মীফমদা হৌদোকপদা **নুপী অঙাংগী ৱাফমসি কোন্না খন্নসি** হায়না মিনিষ্টর খরনা নোক্লবিরে হায়বা ৱাফম অমা মেদিয়াদা থেংনজরে। ৱাফম অসি হন্দক্তা খেঞ্জোংলাংনা সঙ্গীট নাটক একাদেমী, নই দিল্লি অমদি জে এন মণিপুর ডান্স একাদেমী ইম্ফালগা লোয়ননা শিন্দুনা পাংথোকখিবা নোর্ট ইষ্টকী ওইবা নুপী ড্রামা ফেষ্টিভেল অমদি নেস্নেল সেমিনার ওন ঠিয়েটর লোইশিনবা থৌরমদা এল.জয়ন্তকুমার, ওনরেবল আর্ট এন্দ কলচর মিনিষ্টরনা চিফ গেষ্টকী ৱারোলদা থম্মোয় শোক্লা হায়বীখিবনি। ৱাফমসি মসিনা অহানবা নৎখিদে, ইকায়খুম্নজরিবা মিনিষ্টরনা থৌরম অয়াম্বদা ৱাফমসি তোয়না নুংঙাইতনা পনবা তাজখিবা কুইরে ।

ঐখোয়না মসিমসু খংই মদুদি আর্ট এন্দ কলচরগী ফম পুবীনবা পোর্টফোলিও লাওথোকপদা কেবিনেট মিনিষ্টর মরক্তা খুৎ থাংগৎনিংদবনা অয়াম্বা ওইখি । মরমদি ডিপার্টমেন্ট অসি শেল থোক্তে। থিকা তৌফম লৈতে। উনগদৌরিবা থেংনগদৌরিবা মীওইশিংসু জগোয় ঈশৈ তৌবা, সংকির্তণ নাম শোনবা, লীলা তৌবা অহল-লমন, নুপী অঙাং লৈত-লাইরা ঙাক্তনি হায়বা অসিনি। অসিগুম্বা ৱাখল খল্লগা লৈঙাক পুগদৌরিবা অঙম অথৌশিংগী ৱাখল অসি লৈবাক মচা তাবা ৱাৎপা মীগী ৱাখলনি হায়দবা ঙমলোই। 'নুপী অঙাং' হায়না মফম অসিদা শীজিন্নবা ৱাহৈ অসিমকসু অমুক্তা হেন্না লৈবাক মচা তাদ্রবা অমনি। মসি হায়ফম থোক্তে অমদি হায়গে হায়নসু খনফম থোক্তে। চাউখৎলবা মতম অসিদা ঐখোয়গী ইমা ইন্দোন ইচে ইচনশিংবুসু হন্থবা মানবা মওংগী ৱাহৈ-ৱাতা শীজিন্নবা অসি মতমসিগা য়াম্না চানদবা অমনি।

ৱাফম অসিনা মাঙদা থল্লগা খন্নদবা য়াদবা ৱাফম অমা হৌজিক ঐখোয়গী মাঙদা লৈরে। মহৈ হায়বসি করিনো ? লাইরিক হৈবা হায়বা মীসি কনানো ? মতম খরগী মমাংদা হায়নরম্মী- 'জগোয় শাবী, লীলা য়াওবী'। করিগুম্বদনা 'পুং য়ৈবা, ঈশৈ শকপা' হায়নৈ । চুম্না হায়বা নত্তে হন্থবা থাক অমদনি। নোক্লবনি, করেম্নবনি। মচা মশু ৱারকপদা চৈ-থাংবদা হায়নৈ, 'মসি ওইররোই পুং য়ৈহল্লু -লাইরিক হৈররোই ঈশৈ তৌহল্লু, লীলা য়াওবদুরা, ড্রামা য়াওবদুরা' ঙক ইল্লগা হংনৈ । চুম্মী, লীলা ড্রামা হায়বসিমক্তবু য়ুমগী ইমা ইবেল, ইচে ইচলশিংনা পাম্না য়েংনরকই। লমদমসিগী য়ুমগী নুপীশিংদি ইমুং মনুংগী কৃপনোমদা ঙাইহাক্তা শংজদে। লাপ্লা চৎথোকপসু তৌনরক্তে। নোংমা ফাদোক কুম্মৈ ফিয়োং অনকপা লৈকাইদা করিদা লীলা ড্রামা য়েংজবা অসিনা মখোয়গী পোত্থাজনবগী মফম ওইনরকই । মসিনা নাকল অমনি। লীলা, ড্রামা জগোয় ঈশৈবু শিনফম অমা ওইনা তৌজরিবশিং অসি অয়াম্বনা লাইরিক -লাইশু তম্বা ফংজরক্তবা, ইমুং মনুংগী শেল থুমগী ফিভম চারক্তবশিং ওইরম্বদি য়াই অদুবু মখোয়না হৈরিবা অসি ইরায় লায়না হৈরকপদি নত্তে । মখোয়সু মহৈ অমা ওইনা ওঝা নাইনা মতম-শেল থুম, চান- থক্লবা ময়াম অমা চঙলগা তম্নরকপা মহৈনি। শেল- থুম ইমুং মনুংগী ৱা ঙাক্তা নাত্তবদা মী মীগী পামজরকপা থৱায় য়াওজরকপা অমসু লৈজরকই। কনাগুম্বা থৌওইনা পামজবদগী শিনফম অমা ওইনা আর্ট অমবু তম্নবসু কোঙ্গাইনি। লীলা, ড্রামা, জগোয়, ঈশৈবু শিনফম অমা ওইনা তৌজরিবশিং অসি লাইরিক হৈতবনি হায়না হন্থনা লৌবদি লানগনি । মখোয়না তৌজরিবশিং অসিসু মহৈ অমনি হায়বসিনি। পূম্নমক অসি ঙল্লিঙৈদগী চৎনরকপনি।

ঙল্লিঙৈ মতমদা মণিপুরদা লাইরিক তম্বা মাংঙি হায়না লৌনরকখিবা মতমসু লৈখি। লাইরিক লোন্না তম্নরকই । মসি তোকখিবা কুইদ্রিবা অমনি । নাৎ,কলচর হায়বসি নৈনরকপদা, 'মহৈ তম্বা' হায়বসি ঙসিগী মীরোলনা তম্নরিবা এদুকেসন সিষ্টেম অসি নত্তে। ঙল্লিঙৈদা তম্নরকপা মহৈ কয়া লৈরকখি হায়বসি নীংশিংনিংঙাই ওই । মতম অমা, নুপা ওইরগনা শা লানগা মরী লৈনবা মহৈ মশীং থাং তা, শাগোল থৌবা, য়ূমশা-কৈশা তম্নবা, নুপী ওইরগনা ফিশা-লোনশা, ইমুং-মনুং পুবদা চঙগদবা মচাকশিং খঙনবা তম্নবা অসি চৎনরকখি। নুপা নুপী অনীমক্লা অমুক পূম্নমকসিগী মথক্তা থৌগল্লোন, থক্সি-খাসি অসি মহৈ অমা ওইনা শোয়দনা তম্নরকই হায়নৈ । মসি মতম মতমগীনি, লাইরিক তম্নদ্রিঙৈগী মহৈনি। তোঙানবা শিনফম অমা ওইনা মখল কয়াগী মীওইবগী পূন্সিদা চঙদবা য়াদবা হীরম কয়াদা ওঝা গুরু নাইনা তম্নরক্লিবনি। মসিদা ঈশৈ-নোংমাই, জগোয়-ঈশৈ থাং-তা হায়বসি অদুম য়াওজরক্লবনি। লৈপাক খুন্নাই অমগী পোকপদগী শিবা ফাওবদা চঙলিবা লাইনিং লাইশোন ফাওবগী শরুক য়াওরবনি। ৱাফমসি ঐখোয়না চুম্নগী কৃম্মৈখক্তগী ওইনা লৌবা য়াদে । মপান থোংদা হরাউ কূম্মৈ ওইনা উরগা নুংদা ৱাহন্থোক অমা লোয়নরগা চৎলিবা ফজরবা ইচেল কয়া লোয়নরি হায়বসি নীংশিংবা চুম্মী। ঐখোয় মণিপুরগী চীং অমসুং তম্পাক অনীমক্তা খুন্দারিবশিংগী মফমদা লোয়নরকপা চৎনরকপা নাৎকী মশক কয়া লৈজরি । অসিগুম্বা নাৎকী মশক অসি মনুং হুৎনা ঐখোয়না খঙদনা অমদি হীরম শোমদা চঙশিন্দনা মপান খক্তদা য়েংলগা নুপী অঙাংগী থৌরম্নি হায়না আর্ট তৌজবশিংবু কনাগুম্বনা য়াংনা হায়বীরগদি অদুগুম্বা ভদ্রলোক মহাক্লা হৈরিবা মহৈ অদুদা অৱাৎপা অমা চাউনা লৈরে, খঙদবা য়াওরে হায়বসি ঙসি নাৎ,কলচর নৈনরিবশিংনদি শোয়দনা হায়রগনি।

মহাকবি খ্বাইরাকপম চাউবগী 'তম্বা' হায়বা ৱারেংসি লাইরিক হৈরে হায়রিবা মশামক্লা অমুক্তং পাবীরগদি কান্নবা য়াম্না ফংগনি। ঐখোয়না মহৈ অমা ওইনা তল্লিবা অমদি তমগদৌরিবসি করিবুনো? লাইরিক হৈবা হায়বসিনা কনাবুনো ? মীরোল ঙাওবা ঙম্বা, টেবলদা ফল্লগা খুৎয়েক পীবা (শোই তৌবা) হৈবা মহাক খক্তনা লৈরিক হৈবরা হায়বা ৱাহংসি হংনরক্কনি। মীরোল ঙাওবা ঙমজদবা, ময়েক চৎলক্তবা অদুগা খুৎ-শা হৈবা,খোঞ্জেল ফবা, শাথেক চুম্বা মহাক অদুনা থল্লম্বা লমদমসিগী আর্টকী ওইবা লল,পোৎথোক কয়া অদুনা মণিপুরবু চীংলোন লান্না খঙনরম্বনি হায়বসি ঐখোয়না মতম পূম্নমক্তা নীংশিংবা চুমগনি । মালেমদা ফাওরিবা কবি রবিন্দ্রনাথ ঠাকুরনদি মণিপুরবু মশক খঙখি । জগোয় ঈশৈবু অৱাংবা থাক্তা থাংগৎপীরম্মী। রবিন্দ্রনাথ য়ৌবসু ঙল্লরোইদবা ঐখোয়গী মীওই খরনদি ঐখোয়গী আর্টপু হন্থনা উবীরি । ঙসিসু মীরমগী লাইরিক হৈরবা প্রোফেসর কয়া, স্কোলার কয়ানা ঐখোয়গী লমদম অসিগী লাইওইখ্রবা জগোয় ঈশৈ, লীলা ড্রামাগী অহল লমনশিংবু শিংথাবীরি । ঐখোয়গী আর্টকী মশকপু মখোয়না কল্লকই । ঙল্লিঙৈ মতমদা মণিপুরগী কলেজশিংদা, য়ুনিভর্সিটিদা ওঝা ওইবিরম্বা মপাল লমগী মীওই কয়ানা ঐখোয়গী আর্টকী থাকসিবু খঙবীদুনা জগোয় ঈশৈ তমদুনা অহেনবা মহৈ অমা ওইনা হৈদুনা চৎনখ্রি । মখোয়না অমুক মখোয়গী য়ুনিভর্সিটিশিংদা প্রোফেসর ওইদুনা মণিপুরগী কলা সংস্কৃতিশিং তম্বীরি। মখোয়না ফিদা চাউনা ফংলি, মণিপুরবুসু মপাল লমদা মশক তাক্লি, শিংথানবীরি । ঐখোয়গী মীওইশিংনা তৌবা ঙমদবা কয়া মীরমনদি ঐখোয়গী আর্টকী মমল অসি খঙবীদুনা ইকায়খুম্নবা উৎপীরি । ঙসি মণিপুরবু মীরম্না খঙবীরিবা, শীংথাবিরিবা অসি ঐখোয়গী অহল লমনশিং অদুনা ঙল্লিঙৈদা থম্বীরম্বা কলা সংস্কৃতিগী মচাক ময়াম অদুননি। অদুগুম্বা সংস্কৃতিগী মচাকশিং অদুবু মুৎখিদনবা হোৎনবীরিবা, লম অসিদা শরুক য়াজরিবশিং অসিগী মমল খঙবীদনা কান্নদবা ঙম্মোক অমগুম কনাগুম্বা অঙম-অথৌশিংগী মরক্তা য়াওরকপসি লাইবকথীবনি।

য়ুনেস্কোনা মণিপুরী সংকির্তণবু ইনটেঞ্জিবল কলচরেল হেরিটেজ ওইনা শকখঙবীদুনা য়াওহনবীরিবসি অৱাংবা থাক্লি। চাউখ্রবা বেঙ্গলগী লৈপাক অমগী সংকির্তণনা শকখঙবীদ্রগা মণিপুরনা য়াওরক্লিবসি অদুম নৈনবীবা য়ারে । মণিপুরগী জগোয় ঈশৈ, রাস লীলা, থাং তা হৌজিক মপাল লমগী কলচরগা মরী লৈনবা লোয়শঙশিংনা শকখঙবীদুনা মখোয়গী সেলেবসতা হাপ্তুনা তমহনবীরি। খ্বাইদগী মমল য়াল্লিবদি মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচর ফাওবা ঙসিদগী চহী অহুমগী মমাংদা হাংদোকখিদুনা সেমিষ্টর তরুক য়ৌনা চঙশিনখ্রে। সেমিষ্টর অমদা মহৈরোই চামা চামানা খুজিং ওইরগা তল্লি । মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচর অসিদা ডিপার্টমেন্ট তারা থাং-তা, দান্স, মিউজিক, সংকির্তণ, লাই হরাউবা, ট্রাইবেল ষ্টদিজ, কলচরেল ষ্টদিজ,ভিজুয়েল আর্ট, ইংলিস, মণিপুরী সবজেক্টশিং হাংদুনা কলচর চাউখৎনবা তম্বা হৌরিবসি ইরায় লায়না ওইরকখিবা নত্তে । য়ু জি সিনা শক খঙবীদুনা অথুবদা মষ্টর য়ৌনা হাংলক্লবগী অয়াবা ফাওবা লৈরক্লি । থাক অসি য়ৌনা লাকপা ঙল্লিবসি মাঙলমচৎতগী লৈজরকপা ইনাক খুল্লবা ঐখোয়গী কলা সংস্কৃতিগী পূক্কৈ অদু চোন্না লৈরম্বনা ঙমলকপনি। মসিসু লৈঙাকপদা য়াওবীরিবা অঙম অথৌশিংনা খঙবীবা চুমগনি।

হৌজিক য়াম্না ঙক্লিবদি কলা সংস্কৃতিগা মরি লৈননা হাংজরিবা লোইশংশিং -আর্ট এন্দ কলচর ডিপার্টমেন্ট, ষ্টেট কলা একাদেমী, আর্টকাইবস অমদি ষ্টেট ম্যুজিয়মনচিংবশিংদা লৈঙাক্লা কায়থোকপীরিবা শেনফম অসি পীকমনখিবনা চাউখৎনবা করিমত্তা তৌবা ঙমলক্তবদগী ডিপার্টমেন্ট অসিমক্কী ইকায়খুম্নজরিবা মিনিষ্টর অমনা ফোংনা মীয়াম তিনবা থৌরমদা হায়রকপা অসি পেল্লক্তবদগী ওইগনি। লমদমসিগী মন্ত্রিশিংনা তোয়না থৌরমশিংদা হায়, মণিপুরবু মশক তাক্লিবসি আর্ট এন্দ কলচরননি। করিগুম্বদনা অমুক আর্ট এন্দ কলচর অমদি শান্ন-খোৎনবনা মণিপুরবু মশক তাকইবনি।' হায়বীবা তাখ্রে । হায়দোকলক্লিবা ৱাফমসিগা তৌথোকলক্লিবা অসিগা য়েংনরুবদা লম অসিদা মায়পুনরিবশিংনদি ৱারৌরোইদবগী মরম লৈতে। লক্লবগুম্না থোকই । ঐখোয়গী লমদমসিগী ইকায়খুম্নজরিবা লৈঙাকপশিংনা খঙবীদবগী ৱানি- ভারত সরকারনা হৌজিক মখল কয়াগী আর্ট অন্দ কলচর চাউখৎনবা থৌরম কয়া পায়খৎপীরি। মসি লৌনবা, ফংলক্লবগী হোৎনবা মমি ঐখোয়গীদি তাদ্রি। অহল ওইরবশিংদা পীবা পেন্সন স্কিম ঐখোয়গীদি মমিংদগী ওইরি। কলচরগী সংস্থানশিংদা পীবা শেন্থংসু অদুমঙাই। মসি ইকায়নিংঙাইনি । খ্বাইদগী মরুওইরিবা কলচরেল পোলিসি শেম্বা লোইবা ঙমদনা লৈরি । ষ্টেটকী বজেটতা আর্ট এন্দ কলচরগী ওইনা শেন্থং চাউনা হাপ্পীরগদি মণিপুরগী নাৎ চাউখৎহনবদা হেন্না খুম্মাং চাউশিল্লক্কনি হায়বসি থমজ নিংঙি । আর্ট এন্দ কলচরনা চাউখৎলকপা হায়বসি পূম্নমক্কী মায় ওইগনি। আর্ট এন্দ কলচরগী থবক থৌরমশিং অসি নুপী অঙাংগী থবক্লি হায়না খল্লিমখৈ মাঙদা চঙশিল্লকপা ঙমখিরোই। ঐখোয়গী নাৎ ইশানা মশক খঙদবসি খঙননবা হান্না হোৎনমিন্নখিসি । ■

*- মাখোনমনি মোংসাবা*

# 'শম্বল'

(হান্নগী মখা...)

: অদো ইমা, দুকান ফল্লে হায়না খল্লসি, কনাগুম্বা অমা খঙজদবদগী মশাগী মমল থাদুনা য়োল্লিবা শঙ্গোম কৌতাদুগী মমল অদু খরা তাবিবা য়াগদ্রা হায়না হংলক্লগদি ইমানা করি হায়না খুমগনি।

: এহ .. ইমাগী ইবুঙো অদুগী ওইরগদি য়াম্না লায়খরে শঙ্গোম লৈবা লাক্লিবা মীওই অদুদা ঐনা হায়গদবসি, শঙ্গোম কৌতাসিগী মমলসে খরা ঙাঙনরগদি খরা তাবা য়াগনি, খরগা অমুক ঙাঙনরগদি খরগা অমুক তাবা য়াগনি, অদুগা য়াম কন্না ঙাঙনরগনা লেম্না লৌবা ফাওবা য়াগনি হায়রগা লোয়রে।

মামাগী ৱাহৈদুদা হৈবা নোক্লগা মমাদা অমুক হায়রক্লে,

: ইমা, হৌজিক্কী মতমদা লুপা অমদগী মঙাফাওবগী মনুংদা লৈবা পৈশা অচোবসি য়াম্না ৱান্নরবনি, কনাগুম্বা অমনা, ইমানা ফল্লিবা দুকান অদুদগী পোৎ লৈবা মতমদদা, লৈরিবা পোৎ অদুগী মমলদা পৈশাদু ফ্রেক্সন তাশিন্দুনা ইমানা লুপা অনী নৎত্রগা অহুমগুম্বা হনগদৌরে হায়না খল্লসি, অদুবু ইমাদদি হায়রিবা পৈশা অচোয়বা অদু লৈত্তবদগী, লুপা অনী নৎত্রগা অহুমদুগী মমল ওইগদবা পোৎশক অমা হাপলক্লগে হায়দুনা পোৎ লৈবা লাক্লিবা মীওই অদুদা হায়রুগদৌরিবনি, অদুদা মীওই অদুনা হনগদবা, পৈশা অচোয়বা অদু লৈত্ত্রগদি অলু কে জি অমা ওইনা হাপচিবিরক্লো হায়না হায়রক্লগদি করম তৌ তাবা ?

: হেরা ইবুংঙো নঙসিমা, ওন্থোক ওন্থোকপা ৱা ঙাক্তা, হেক ঙাঙলদনা।

তঞ্জা অদুদা অঙৌ কোন্থোংলোমদগী অশাওবা অমগা লোয়ননা, ঙাঙল-ঙাঙলগা চঙলক্লম্মী, মহাক্কী মওং অদুদা থাবলৈনা মচানুপাদা,

: ঙাইখো ইবুংঙো কোন্থোংলোমদা চঙলক্লিবসি নঙগী পাবুং নৎত্রা, মান্নিদা, করিগীনো মহাক্লা অসুকয়াম শাওরগা লাক্লিবসিনা । নঙ ৱা ঙাঙলকখিগনু, করিগীনো হায়বদু ইমানা হন্না অমুক্তা হংখিগে।

লেপ্তুনা থাংলকপা .... অঙৌগী খোঙথাং অদুনা, মমা মচাগী মনাক য়ৌশিল্লকপা মতমদুদগী থাবলৈ য়াম তপ্পা মপুরোয়বদা,

: মখোয় পাবুং অদুক শাওনা হনবিরক্লিবা অসিবু, লম্বীদা কনা কনাগা নিঙাই শংদান্নবা য়াওবিরকপগে?

: কনা অমত্তগা নিঙাই শংদান্নববুদি য়াওদে হায়ববু মখোয়শিংদুনা তৌরিবা মওংশিং অদু য়েংবদা শাওনিংবগী ৱানি।

: মখোয় পাবুংনা শাওবগী মরমশিং অদো ঐখোয়সু খরা খঙবা য়াগদ্রা?

: হেরা, মমা করিসু লৈবা ৱাফমবুদি নত্তে, মহৌশা ঐনা বেঙ্কতগী লোন অমা লোইদনা, হৌজিক্তি লৌরুরিবা লোন অদুগী শেনফমশিং অদু শিংবা লোয়খ্রবনিনা, লোন শিংবা লোয়রে হায়বগী ক্লিয়ারেন্স সার্টিফিকেট অদু লৌগে হায়দুনা বেঙ্ক অদুদা চৎলুবনি, কদোমদগী লৌগদবনো হায়বদু ঐহাকসু খঙবজ াৎ নত্তে, ঐনা বেঙ্ক অদুদা হেক চংবগা মফম অদুদা থবক শূদুনা লৈবা ষ্টাফ অমদা ঐগী ক্লিয়ারেন্স সর্টিফিকেট অদু কদোমদগী লৌগদবনো হায়দুনা হংলুরে, ঐনা হংলিবদু মহাক শেংনা তাবরা নৎত্রগা তাদবরা হায়বদুদি খঙদরে। মহাক্লা অসোম নাকলদা ফল্লিবা মীওই অসিদা অমুক্তা হংবিয়ু হায়রক্লে, মাগী মনিংলোমদা ফল্লিবা মীওই অদুনসু মানা পায়দে খঙদে হায়রক্লে, ঐসু অসোম নাকলসিদা ওইরমাল্লে খল্লদুনা, মানা হায়রবনিনা মীওই অদুদা অমুক হংলুরে। মীওই অদুনসু থবক অসি মানা পায়দে, মনিংলোমদা ফল্লিবা অসিদা অমুক্তা হংবীয়ু হায়রক্লে। অসুম্না মফমদুদা লৈরিবা মীওইশিং অদুদা লোয়নমক হংলবা মতুং কনা অমত্তনা খঙদে হায়রকপা অদুদদি শাওনিংলক্তুনা অকোনবদদি মেনেজরগী মনাক্তা চংলে, মেনেজর অদুনা হরাও হরাও ঐঙোন্দা য়ানি য়ানি তাদাগী থবক অদু ঐহাক হৌজিকমক লোইশিনজরগে হায়দুনা ঐনা ঙসাই অহানবদা চংলুরিবা নুপা অদু কৌশিল্লগা, ঐনা পায়রিবা চে অদু মঙোন্দা পীখ্রবা মতুং থবকশিং অসি লোইশিল্লগা লাক্লিবসিনি। -মথং-মথং

*কোংখাম চন্দ্রমনি*

# তেংবানবা তাইবঙপানবা ওইরকপা অমসুং মীতৈ হৌরকপগী ৱারী -৪

(হান্নগী মখা...)

সরোইশিংগী লানগী চৈথেংনা লাইয়ামশিংনা ৱারিঙৈগী মতমদু লোইফাৎত্রিঙৈদা লাইরৈপাক লমদমদা অৱাবা চৈথেং অমমুক লাকখি। ঈপাক-ঈরেন অচৌবা ঈরং মথক্তা অকনবা ঈথক-ঈপোম হৌরক্তুনা, ঈথক্কী চৈথেংনা য়ৈরকপদা লৈবাক্কী মফম খুদিংদা চীংজাউগী নাপোম নিংখায়বা, লৈরাইগী লৈশা কিন্থরক্তুনা অকিবা মশক ওইরক্লে। তৌথোক নুংথোক্তবা থৌদোক্লা ঈপাক-ঈরাং হৌরক্তুনা লৈশা লৈবাক কিন্থরকপা মতৌদা সোরারেন লাইয়াম ৱানখ্রে। ওইরক্লিবা থৌরমবু করিদগী থোরক্লিবা লাইয়ামনা ৱা তানখি। থোরক্লিবা থৌওংগী মরমবু সোরারেন লাইয়াম মরুপ্পা অকাউ পরৈ চল্লুরে। মতম কুইখ্রবগী মমাঙদা 'ঈরাই পুরেন' অহন্দা ঈপাক ঙাকপীয়ু হায়নখি সোরারেন লাইনিংথৌগা। ঈপাক-ঈচাও ঈঙাকপগী চাকথাক কুমজাগী পীগনি হায়না ঈরাই অহনগা লাইনিংথৌ সোরারেনগা ৱাশক ৱারেপ্পখি। কুজা ঈরাৎ চাকথা ফংলগা ঈরাই অহন মপুক পেন্নবা হায়নখি। ঈরাই পুরেন অহনগা হায়নখিবা পূম্নমক সোরারেন্না মতম কুইনা কাউখিদুনা কুমজা চাকথা পীখিদ্রে। চাকথা পীখিদবনা মরম ওইদুনা ঈরাই অহন মথেং ফংনা শাওখিদুনা অকনবা চৈথেং পীরকপনি হায়বসি সোরারেন লাইনিংথৌনা খঙলক্লে। ঈরাই পুরেন অহনদি মখৈ ফংনা শাওখ্রবনা চাকথাক্লসু থেল্লুবা য়াররোই। করম্না থেমলুনি হায়দুনা লাইগী মরুপ ৱানরে। মাঙবা তারে হায়দুনা সোরারেন লাইয়াম ৱাখরে। ইপুরোইবু শোন্দুনা লাইশিংনা খাঙনরে।

ঈরাই পুরেন অহনগী অশাওবা চৈথেংদা সোরারেন লাইশিংনা ৱারিবদু উরদুনা তরং-নোংদোনদগী ইপুরোই মপুনা তরং লাইপাও লাওরক্লে। "তাও তাও সোরারেন ঈরাই পুরেনদি মথেং ফংনা কুমজা চাকথা পীরক্তবগী শাওখরে। থেম্নবা পাঙ্গল লৈররোই, চাকথানসু য়াররোই। সোরারেন নঙগী লৈমা তোম্বী নত্তনা ঈরাই মপুক পেৎলরোই। লৈমা তোম্বী উরগা ঈরাই মপুক পেন্দুনা মরাই লুক্কনি।" পাওলেন লাইপাও পীরম্লগা ইপুরোইদি থুপখরে। ইপুরোইগী পাওতাক মতুং ইন্দুনা সোরারেন লাইনিংথৌনা লৈমা তোম্বী কৌথোকলে। লৈমা তোম্বী মফমদা তৌগদবা থৌরম পূম্নমক তাকখরে। "তোম্বী নহাক্লা ঈরাই পুরেন অহনগী অশাওবা পূক্লিং ফারুরো, ঈপাকথক্তা কুমদুনা ঈরাই মতেং পাংলুরো, ঈশিং ঈতোন ঙাক্লুরো, ঈরাই পূক্লিং পেননবা নহাক্তনা তৌরুরো।" লাইনিংথৌগী থৌনা য়াথংবু লৈমা তোম্বীনা হরাওনা য়াজখি। লাইনিংথৌ মফমদা লৈমা তোম্বীনা হঙ্গৎচরকই, "লাইনিংথৌ ইবুংঙো ননাইনা ঈতোন ঙাকপা চৎপদা তুংইন মরুপ খরদং পীনবিয়ু। অদুগা মতম লৈবা খিবিক্তা ননাইবুদি কাউবীনু, থৌজাল মিৎয়েংবু য়েংবীয়ু!" লৈমতোম্বীগী ৱারোল তারগা সোরারেননা হেলোই তরেৎ পুথোক্লে। হেলোই তরেৎতা লৈমা তোম্বীনা ঈতোন ঙাকপদা মতেং পাংলুরো হায়না য়াথং থৌদা পীখরে। হেলোই তরেৎসু হরাওনা থৌদা ইন্দুনা লৈমা তোম্বীগী মতুং ইনখরে। লৈমা তোম্বীনা হেলোই তরেৎ পুদুনা ঈতোন ঙাকপা চৎখরে সোরারেনবু খুরুমজরগা। সনচীং কৌব্রু তুংওইনরম্লগা খাগী ঈপাক তারক্লে। ঈপাম মপান য়ৌরগা ঈরাই পুরেনগা উনরে। ঈরাই পুরেন মফমদা লৈমনা মরম পূম্নমক তমথোক্লে। লৈমগী মপাও তারগা ঈরাই পূক্লিং লৈতাখ্রে। অশাওবা কান্বী নেমখরে। লৈমা তোম্বী ঈপাক ঈতোন ঙাক্লুরো হায়না য়াথং পীখরে। ঈরাই অহনগী য়াথংনা তোম্বীনা হেলোই তরেৎকা লোয়ননা ঈশিং ঈপাক ঈয়াইদা ঈতোন ঙাকখরে। ঈশিং ঈতোন ঙাকঙৈদগী লৈমা তোম্বীবু "ঈরাই লৈমা" হায়না কৌখরে। ঈরাই মমিং লৌদুনা। ঈরাই লৈমনা হেলোইশিংগা লোয়ননা ঈশিং ঈতোন ঙাক্তুনা পুরেনগী মতেং পাংখিবদগী ঈপাক ঈথক হৌরম্বদু মরা তপ্পা চেন্থখরে। চীংশাং নাপোম নিংখাইখিদ্রে, লৈবাক মরা তপখরে। ঈপাক্কী ঈপোম নেমখ্রবনা সোরারেন লাইয়াম পূম্নমক পূক্লিং লৈতানা পানখরে। ঈরাই লৈমা লাইরেম্বীনা ঈশিং ঈতোন ঙাকখরে হেলোই তরেৎকা লোয়নদুনা। মতম কুইনা সনচীং কৌব্রু লাই লৈবাক ঈংনা চিক্লা পানখরে। সোররেন লাইনিংথৌনা লাইয়ামগা লোয়ননা মরা তপ্পা লৈঙাক্তুনা নুংঙাই থোইনা পানখরে। ইপুরোইগী থৌশিলদি অঙকপগী মশকনি। ওইহল্লিবা পূম্নমক মহাক্তগী থৌশিলনি। তেংবানবগী থৌবুনি, মহাক্তবু খুরুমজৈ। হৌরকপগী ৱারীনি থুমখরবা ঈচেলনি। মথং মথং তারগা লৌশিং মৈরা চাওগনি।

হুম য়াইফবা, য়াইফবা য়াইফবা!

-মথং-মথং

*নিংঙোম্বম অমর (সিলহেনবা)*

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।